নুপীশিংগী মথক্তা চথবা ক্রাইমগী মায়োক্তা য়ুরোপ অমসুং লেটিন অমেরিকাদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

মেক্সিকো, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা নুপীশিংদা চথরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি য়ুরোপ অমসুং লেটিন অমেরিকাগী মরুওইবা লম্বীশিংদা মশিং য়াম্লবা নুপীশিং থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। টর্কিদা নুপীশিংগী ওইবা খোঙজং অদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল অমদি রবর বুলেটশিং কাপখ্রে হায়রি।

ইন্টরনেসনেল দে ফোর দি ইলিমিনেসন ওফ ভাইওলেন্স এগেনষ্ট ৱিমেন দেগী থৌরমগা মরী লৈননা মশিং য়াম্লবা নুপীশিংনা খোঙজং অদু চঙশিল্লকখিবনি। মরুওইনা মেক্সিকো সীটি, মেদ্রিদ,বর্সেলোনা, পেরিস, লন্দন, চিলি, ভেনেজ্বেলা, বোলিভিয়া, উরুগে, কোষ্টা রিকা, পনামা, কলম্বিয়া অমসুং গ্বাটেমালাদা মশিং য়াম্লবা নুপীশিংনা খোঙজং চঙশিনখিবনি।

মেক্সিকোদা চঙশিনখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা নুপীশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মেক্সিকো লৈবাক খক্তদা নুমিৎ খুদিংগী য়ামদ্রবদা নুপী ১০ দি শিদুনা লৈরম্বা থেংনরি। মখোয়শিং অদু মশা মতোমতা শিজবা নত্তে। মখোয়শিং অদু কনাগুম্বা মীওই খরনা লৌতুনরগা অমদি নুপী ওইবীগী ইকাইখুম্নবা মাঙহল্লবা মতুং হাৎপা ঙাক্তনি। মালেমগী লৈবাকশিংদা নুপা অমদি নুপীগী রাইট চপ মান্নে হায়না লাউরি। অদুবু নুপীশিংগী মথক্তা চথবা ক্রাইমদি নোংম-নোংমগী মশিং হেনগৎলক্লি। মসিগী মায়োক্তা মরী লৈনবশিংনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মতম চানা পায়খত্তবনা মরম ওইরগা নুপীশিংগী ফিভম নোংম নোংমগী শোকচিল্লক্লি।

লেটিন অমেরিকা অমসুং কেরিবিয়নদা কুমজা ২০২০ গী ওইনা য়ামদ্রবদা নুপী ৪,০৯১ শিখি। হায়রিবা অসি য়ুনাইটেদ নেসন্সগী রিজনেল কম্মিসনগী রিপোর্ট মতুংইন্ননি। মসি নত্তবা অতোপ্পা নুপী কয়া অমসু শিখি। রেকোর্দতা লৈতবা কয়া অমা নোংমা কাংদনা শিরি হায়বা খঙলবসু মরাল লৈবা মীওইশিংদি মনিং তম্না চত্তুনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা নুপীগী নিং তম্বা নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লকপগা লোয়ননা নুপীশিংগী মথক্তা চথবা ক্রাইমগী মশিংসু লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি।

রাইটস গ্রুপশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না চহী অসিদা টর্কিদা মরাল লৈজদবা নুপী ৩৪৫ হাৎখি। মরম লৈতনা হাৎখ্রবা নুপীশিং অদুগী অচুম্বা ৱায়েল ঙসি ফাওবা পুথোকপা ঙমদনা লৈরি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎলি হায়না ফোঙদোক্লবসু থবক্তা মপুঙ ফানা ওন্থোকপা উদ্রি। মসি মালেমগী নুপীশিংগী ওইনদি য়াম্না লাইবক থিবনি।

মেক্সিকোদা চৎখিবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবী মশাগী চহী ৩০ রোম শুরবী লেসলি হোগুইন কৌবী অমনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী নুপীশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা ঐখোয়গী হকচাং অমদি হিংনবগী লম্বীদা অয়েৎপা পীরিবা ময়াম অসি থেংনবগী মতম ওইরে। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা নুপী অমত্তনা মনিং তম্না অথেংবদা চৎপা ঙমদ্রে। মপাঙ্গল শোনবা অমদি মীচঙ লৈজদবা নুপী কয়াদি মীওইবগী ৱাখল চেন্দবশিংগী শান্নফম ওইদুনা লৈরি। মসি মতম চানা থিংহৌনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

কোভিদনা-১৯ না মরম ওইরগা ফ্লাইট ৫০০ হেন্না কেন্সেল তৌখ্রে

শাংহাই, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
চাইনাগী শাংহাই সিটিদা ঙসি কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৩ থেংনখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী স্কুলশিং খুদক্তা থোঙ লোনহনখিবগা লোয়ননা ফ্লাইট ৫০০ হেন্না কেন্সেল তৌখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না, চাইনানা লৈবাক অদুদা পায়খৎলকখিবা জেরো-কোভিদ পোলিসিগী মতুংইন্না শাংহাইদা স্কুলশিং থিংজিনবা, টুর গ্রুপশিং সসপেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌহনখিবনি। বৈজিংনা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ মায় পাক্লা লাকশিন্নবা হোৎনরি। ঙমখৈগী শরুকশিং থিংজিন্দুনা লায়না লায়চৎ অসি মপুঙ ফানা লাকশিনবা ঙমদ্রবসু খরমখৈদি কন্ত্রোল তৌবা ঙমখ্রে। অদুবু লৈবাক অদুগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা ট্রাভেল হিষ্টরি লৈতবা মীওইশিংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরম্বা হেক হেক থেংনবনা মরম ওইরগা চরাংনবশিং থোকহন্নবগী মরম অমা ওইরি।

ঙসি পোজিটিব ওইরমখ্রবা মীওইশিং অদু তিন্নবা মমান্নবশিংনি। মখোয় অহুম মমাং চয়োলদা সুঝৌ সিটি মনাক্তা কোইবা চৎলুখি। মদুদগী হল্লক্লবা মতুং মশা নুংঙাইরক্তবদগী চেক তৌরুবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনরকখিবনি হায়না শাংহাই হেল্থ ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হেল্থ ওথোরিটিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইরমখ্রবা মীওই অহুম্মক কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী ফুল দোজ কাপ্লবা ঙাক্তনি। মখোয়দা নারক্লিবা অসিগা হান্নগা মান্নদবা অনৌবা ভেরিয়েন্ট ওইরম্বা য়াবগী থাজবা লৈ। মখোয় অহুম আইসোলেট তৌদুনা থমখিবগা লোয়ননা মরী লৈনবা লায়েংগী থবকশিং য়াম্না চেকশিন্না চথরি। মখোয়গী হকচাংগী ফিভম হৌজিক ফাওবগী ওইনদি য়াম্না ফনা লৈরি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্নসু য়াম্না চেকশিন্নবা মখা তানা অপিল তৌরক্লি।

অনৌবা ভেরিয়েন্টকী মতাংদা চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি : বৃটেন

লন্দন, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না থেংনখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা ঙসিফাওবদা থেংনরকখিবা কোভিদ-১৯ মখলশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মপাঙ্গল কনবা ওইগনি হায়না বৃটেনগী সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিদা হৌজিক কাপ্লিবা ভেক্সিন অসি ইফেক্টিব ওইব্রা নৎত্রগা ওইদ্রবা হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

য়ু কেদা হিরম অসিগা মরী লৈননা পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা অলবাক অসিগী সিটিজনশিংনা সাউথ অফ্রিকা, নামিবিয়া, বোট্সৱানা, জিম্বাবৱে, লেসোথো অমদি স্বাইটিনি লৈবাকশিংদা চৎপদা অথিংবা থমখ্রে।

য়ু কে হেল্থ সিক্যুরিটি এজেন্সিনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবদা, নৌনা থেংনখ্রবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট বি.১.১.৫২৯ অসি হান্না লৈরম্বা ভেরিয়েন্ট অদুদগী তোঙাল্লি। ইন্দিয়াদা ইহান হান্না থেংনখিবা দেল্টা ভেরিয়েন্টতগী হন্দক্কী অসিনা অমুক্কা হেন্না মপাঙ্গল কল্লম্বা য়াই হায়না থাজনরি। করিগুম্বা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা শন্দোরক্লবদি চাওনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লগনি হায়রি।

এফ এ আর সী রেবেলশিংনা এমাজোন উমং চাওনা মাঙ তাকহনখি হায়না কলম্বিয়ানা মরাল শিরক্লি

বোগোটা, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
এমাজোন রেন ফোরেষ্ট চাওনা মাঙহন তাকহনবদা কলম্বিয়াদা হান্না লৈরম্বা রিভোলুসনরি আর্মদ ফোর্স ওফ কলম্বিয়া রেবেল গ্রুপনা মরুওইবা থৌদাংশিং লৌখি হায়না কলম্বিয়া লৈঙাক্না মরাল শিরকখিবগা লোয়ননা রেবেল গ্রুপ অসিনা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা উমংগী পেথোকশিং লল্লোনবগী থবক পাক শন্না চথখি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এটোর্নি জেনরেল ফ্রান্সিস্কো বারবোসানা ফোঙদোকখিবদা, রেবেল গ্রুপ অসিনা মখোয়গী লৈফম শেমগৎ শাগৎপা অমদি মখোয়গী খুৎলায় লৈনবা হোৎনবদা মথৌ তাবা শেলশিং ফংনবগীদমক এমাজোন রেনফোরেষ্টতা হৌবা অতাংবা মখলগী উ পাম্বী কয়া য়ান্থুৎতুনা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা লল্লোনবগী থবকশিং পাক্তুনা চথখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৬ গী মমাংদা উমং অসিদা রেবেল গ্রুপশিংনা য়াম্না উমং কোকথোকপগী থবক পাক শন্না চথখি। অদুবু হায়রিবা চহী অসিদগী হৌরগা উমং কোকথোকপা থিংনবা কলম্বিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎপা হৌখিবগা লোয়ননা উমং অসিগী শরুক খরদা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থাজিন্দুনা চেকশিন্না শেন্নবা হৌরকখিবনি।

হায়রিবা রেবেল গ্রুপ অসি হৌজিক হৌজিক লৈঙাক্না সিজ ফয়র এগ্রিমেন্ট তৌদুনা লৈরি। লেটিন অমেরিকাগী ওইনা রেবেল গ্রুপ অসিনা খ্বাইদগী চাওবা অমসুং অরিবা গ্রুপ ওইরি। হৌজিকসু রেবেল গ্রুপ অসিগী মেম্বর খরনা উমং কোকথোকপগী থবক চথরি। মসি মখা তানা তৌহন্দনবা গ্রুপ অসিগী লুচিংবশিংগা ৱারী শাবা হৌখ্রে হায়রি।

ইজরেলদা অনৌবা কোভিদ-১৯ গী ভেরিয়েন্ট দিটেক্ট তৌখ্রে

জেরুসালম, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
সাউথ অফ্রিকাদা ইহান হান্না শন্দোরকখিবা হেন্না মপাঙ্গল কনবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অদুগী কেস অমা ইজরেলদা থেংনখ্রে হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অনৌবা কোভিদকী ভেরিয়েন্টনা ইনফেক্ট তৌহনখ্রবা মীওই অদু হন্দক্তা মলাৱিদগী লাকখিবনি। মহাকপু তোঙান্না আইসোলেট তৌদুনা থমখিবগা লোয়ননা মহাক্কা জর্নি পুল্লকপা মীওইশিং মশক খঙদোক্তুনা টেষ্ট তৌবগী থবক চথরি। মদুদা মীওই অনী অমসু পোজিটিব ওইরম্বা থেংনখ্রে। মখোয় অনীদা পোজিটিব ওইরক্লিবা অসি অনৌবা ভেরিয়েন্ট অদুরা হায়বগী মতাংদদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মখোয়গী সেম্পলশিং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা থাখ্রে। অথুবা মতমদা খঙবা ঙল্লগনি।

মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পোজিটিব ওইরল্লবা মীওই অহুম্মক কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ফুল দোজ কাপখ্রবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিদা হৌজিক কাপ্লিবা ভেক্সিন অসি ইফেক্টিব ওইদবগী অচৌবা মমি অমা তারি। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই হায়খিবগা লোয়ননা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা শেমখিবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎনবা অমদি লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চত্তনবা অকনবা মওংদা ৱার্নিং তৌরক্লি।

য়ু এস-টালিবাননা ২শুবা রাউন্দগী ৱারী শাবা হৌগদৌরিবা অদুবু পাকিষ্টাননা তরাম্না ওক্লি

ইস্লামাবাদ, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
কাটারগী কোনুং দোহাদা অনীরকশুবা ওইনা য়ু এস অমসুং টালিবান লুচিংবশিংনা ৱারী শান্নগদৌরিবা অদুবু পাকিষ্টাননা তরাম্না ওকখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নবদা খুমাঙ চাওশিন্দুনা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না পাকিষ্টানগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়র্সকী ৱাঙাংলোয় অসিম ইফটিখারনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস অমসুং টালিবান লুচিংবশিংগী মরক্তা ৱারী শান্নগদৌরিবা অদু খুমাঙ চাওশিনবা ঙল্লবদি অফঘানিষ্টান লৈবাক হান্নগী পুন্সি মহিংদা অমুক হল্লকহন্নবা হোৎনবদা লায়না থোক্কনি। চহী অসিগী ওগষ্ট থাগী ময়ায় চল্লকপদা অফঘানিষ্টানদা হান্না লৈরম্বা লৈঙাক অদুবু টালিবাননা মায়থিবা পীরবা মতুং অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখিবনি। অদুবু নৌনা শেমখ্রবা টালিবান লৈঙাক অসি য়ু এস য়াওনা মালেমগী লৈবাকশিংনা হৌজিক ফাওবা রিকগনাইজ তৌদনা লৈরি। মসিনা মরম ওইরগা মতম শাংনা লৈবাক মনুংদা থোকখিবা লাননা মরম ওইরগা ফিভম শোকচিল্লবা লৈবাক অসি তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদা হৌজিকসু লৈরি।

য়ু এসনা পাল্লবদি অফঘান মীয়াম্না হৌজিক মায়োক্লরিবা অৱাবশিং অসি কোকহন্নবা হোৎনবদা লায়না থোক্কনি। মরম অদুনা পাকিষ্টানগী মায়কৈদগী নাকল অনীগী ওইনা ৱারী শান্নগদৌরিবা অদু মপুঙ ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

পনবা য়াবদি মমাং থাদা য়ু এস অমসুং টালিবানগী মরক্তা অহানবা রাউন্দগী ৱারী শাবা হৌখ্রে। অনীশুবা রাউন্দ মথং চয়োলদা দোহাদা পাঙথোক্লগনি।

মাইগ্রেন্টশিংগী মতাংদা বোরিস জোন্সনগী ৱাখল্লোন মেক্রোননা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

রোম, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
ইংলিস চেন্নেল ফাওদুনা চৎলিবা মাইগ্রেন্টশিংগী মতাংদা য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অদুবু ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোননা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লুচিংবা অমনা অতোপ্পা লুচিংবা অমগা সোসল মিদিয়াগী খুথাংদা পাউ ফাওনরগা থবক তৌরোইদবনি হায়রি।

নোংমগী ওইবা খোঙচত্তা ঙসি রোমদা থুংখ্রবা মতুং ফ্রেন্স প্রসিদেন্ট মেক্রোননা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু কেনা মাইগ্রেন্টশিংগী মতাংদা সেরিয়স ওইনা লৌদে অমদি পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মপুঙ ফানা পায়খৎত্রি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলি। লুচিংবা অমা ওইনা চেনেলগী শরুকশিংদা চৎলিবা মাইগ্রেন্টশিং অদুগা মরী লৈননা ত্বিটরদা ফ্রান্সনা মখোয়গী মাইগ্রেন্টশিং অমুক হন্না মফম অদুদা ফাওহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়না ফোঙদোরকখি। চয়োল অসিগী মনুংদা চেনেল অসিদা মাইগ্রেন্ট ২৭ শিখিবা অদুগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর বোরিসনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি। অদুবু লুচিংবা অমনা সোসল মিদিয়াদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি ওফিসল ওই হায়না ফ্রান্সনা লৌদে।

চেনেলদা মাইগ্রেন্টশিংগা মরী লৈননা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনবদা নাকল অনীগী মরক্তা পোলিটিকেলগী থাক্তা ৱারী শাবা মথৌ তারি। অদুবু সোসল মিদিয়াদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদুদি ফ্রান্সনা তরাইনা লৌই। মসি লুচিংবা অমনা তৌগদবা থবক নত্তে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ফ্রান্সকী ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা য়ু কেগী মরী লৈনবা মিনিষ্টরগা উন্নদুনা ৱারী শানবা হোৎনরি হায়রি।

A Brand Name of Regd. Firm
M/s. Akoi Services & Maketing Solutions
Wangkhei Yonglan Leirak, P.O & P.S. Porompat,
Imphal East District, Manipur -795005

Akoimart
Live Easy
Follow us @ Akoimart akoimart24

WE ARE HIRING!! SINCE WE'RE GROWING & EXPANDING!

Experienced and dedicated candidates who require the following job may apply as per terms of submission given here under:

S.No.	NAME OF THE POST	No.	QUALIFICATION & EXPERIENCE
1.	**Business Development Manager (BDM)** Age: (35-40) yrs	3	MBA(Marketing)/Any Graduate or Post graduate with min 5 to 7 yrs of experience in sales and marketing in any industry.
2.	**Business Development Executive (BDE)** Age: (25-35) yrs	9	MBA(Marketing)/BBA/Any Graduate or Post graduate with min 1 to 2 years of experience in sales and marketing in any industry
3.	**Sr.Accountant** Age: (Min 35) yrs	3	Degree in Accounting or Finance(M.Com/MBA) with min.2 years of work experience in an internal audit environment.
4.	**Accounts Assistant** Age: (23-30) yrs	2	B.Com or Graduate with Tally Knowledge, preferably candidates from Wangkhei area locality.
5.	**Junior IT executive** Age: (23-30) yrs	4	MCA/BCA/B.Tech/B.Sc/M.Sc in Computer Science /DOEACC A level.Experienced/fresher may apply.
6.	**Graphic Designer** Age: (25-40) yrs	4	Bachelor's degree in graphic design or related field preferably with 1-2 yrs experience in graphic designing.
7.	**Customer Care Executive** Age: (25-40) yrs	6	Graduate or PostGraduate in any field preferably experienced from BPO/Call Centre Industry(Voice).
8.	**Driver** Age: (25-40) yrs	3	Min. 10th Passed with highly skilled in driving light and heavy vehicles. Willing to work a flexible schedule.
9.	**Delivery Executive** Age: (25-35) yrs	2	Min. 10th Passed with proven delivery experience is preferred.
10.	**Multi Tasking Staff** Age: (23-30) yrs	4	Min X passed.
11.	**Office Caretaker** Age: (Min 30) yrs	3	Min X passed.Family person who can relocate & reside at our office is preffered

Note: 1. Candidates who owns four wheeler vehicle can apply for delivery service on commission basis with certain terms and conditions.
2. The above mentioned post are for the AKOIMART and may be posted for other subsidiary unit of the organisation.

Kindly Submit your updated CV on or before 5th December, 2021
at E-mail ID: career.akoimart@gmail.com or call at 9366095791/9863778292.
Salary will be fixed as per qualification, status and experience of the candidates.

HL-P/0761/27,28

সোলোমোনদা চরাংনবা থোকহল্লিবা অসি ফোরেন ইলিমেন্টশিংননি

হোনিয়ারা, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নুমিৎ হুমনিরোম অসিদা সোলোমোন ঈথৎ লৈবাক্তা তংদু লৈতাদবগী ফিভম অমা লাক্লিবা অসি ফোরেন ইলিমেন্টশিংনা থোকহনবনি হায়না ঈথৎ লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর মনাসে সোগাভারেনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওংশিং চত্থদনবা অপিল তৌরক্লি।

ঙরাং অয়ুক্কী মতমদসু মশিং য়াম্লবা খোঙজংলোয় কয়ানা প্রাইম মিনিষ্টরগী লৈফম তম্না চঙশিন্নবা হোৎনখি। মীয়ামগী ওইবা খোঙজং অদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিসকী মায়কৈদগী টিয়র ক্যাস সেল কয়াসু কাপখি। হিরম অসিগা মরী লৈননা পুলিস কম্মিস্নর মোষ্টিন মনগাউনা ফোঙদোকখিবদা, ঈথৎ লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিন্দ্রিঙৈদা অচুম অরান হান্না খঙদোক্লবা হোৎনগদবনি। কনাগুম্বা মীওই খরগী খুজিল থৌরাংনা মরম ওইরগা লৈবাক ঈরাং থোকহন্নবা হোৎনবদা পুক্নিং থৌগৎলোইদবনি।

মীয়াম্না হৌজিক মখা তানা লম্বীদা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনবগী মথৌ তাদে। লৈবাক অসিদা ঈং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা লৈঙাক্না কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রে। মদুগী মায়োক্তা থবক তৌরিবা অদু লোবু শিংনবনি। লৈবাক অসিদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌওং কয়া থোকহল্লিবা অসিদা ফোরেন ইলিমেন্টশিংগী অচৌবা খুৎ য়াওই হায়বসি খঙনরবা ৱাফম অমনি। মরম অদুনা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্নবা শিনগনু হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা খোঙজং অমা লাক্লিবা অসি টাইৱানগা হান্না ঈথৎ লৈবাক অসিগা লৈনরম্বা মরী অদু ককথৎলগা চাইনাগা মরী থম্বা হৌরকপদগীনি। মসি লৈবাক অমগী পোলিসিনি। অদুবু মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা মপান লমগী মীওই খরনা লৈবাক অসিগী মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংবু খুৎলায় ওইনা শিজিন্নবা হোৎনরি। মসি য়াম্না লাইবক থিবা থৌওং অমনি। মখা তানা লৈবাক অসিগী ঈং তপ্পা থুগাইনবা হোৎনরকপশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌগনি হায়রি।

সাউথ অফ্রিকা চৎপদা অথিংবা থমখ্রে

ব্রুসেলস, নভেম্বর ২৬ (এজেন্সী) :
কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অমা সাউথ অফ্রিকাদা শন্দোরকপা ইহান হান্না থেংনখ্রবা মতুং লৈবাক অসিদা চত্তনবা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা মখোয় মখোয়গী সিটিজনশিংদা খঙহনখিবগা লোয়ননা দেল্টা ভেরিয়েন্টতগী হেন্না মপাঙ্গল কল্লম্বা য়াই হায়না থাজরিবা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিদগী য়াম্না চেকশিন্নবসু খঙহল্লক্লি।

জমর্নি অমসুং ইটলিনসু মখোয়গী সিটিজনশিংনা সাউথ অফ্রিকাদা চৎপদা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা হান্না চৎখিবা মীওইশিংসু নুমিৎ ৮ নিগী মনুংদা লৈবাক অসিদা হল্লক্লবা খঙহনখ্রে। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা য়ৌরক্তবা সিটিজনশিং অনৌবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা লৈবাকশিং অসিদা চঙবদা অথিংবা থমগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ওইনসু সাউথ অফ্রিকাদা য়ুনিয়ন অসিগী মনুংচন্না লৈরিবা লৈবাকশিংগী সিটিজনশিংনা চৎপদা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা অমদি মরম লৈতনা য়ুমদগী থোক্তনবা অপিলসু তৌরক্লি।

HL-P/0761/27,28

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL, GOVT. OF MANIPUR

Ref. Mut. Case No. 612/AS & SO/TBL **Dt. 19/11/2021**

Laishram Premjit Singh S/o (L) Yaiskul Singh of
Khangabok Khullakpam Leikai - Applicant
-VRS-
(Late) Laishram Yaiskul Singh S/o (L) Babudhon Singh
of Khangabok Khullakpam Leikai - Opp.

[illegible] / NOTICE
25-11-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩৩-খাঙবোক, পাট্টা নং ১৪৮১ (অরিবা) ২৬৬৮/৫০৮৭ (অনৌবা) দাগ নং ৪৫৫৯/৫২৪৯ (এ) এরিয়া .০৭২৮ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিদগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি মচানিপাদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌগদবনি উক্ত কোর্ট AS & SO/TBL দা application তৌবা য়াগনি নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/0762/27

COMPETITIVE SUCCESS TUTORIALS
URIPOK OVERBRIDGE POINT, IMPHAL 795001
REGISTRATION OPEN

Regular course for Medical & Engineering Exam 2022
Foundation Course for Class XI-XII Science.
Class starts on 6th December 2021 with proper SOP
(Morning – 6.00 a.m. to 8.00 a.m.) & (Evening - 4 pm. to 7.30 pm)
Course fee: Rs. 4500 per subject for class XI & XII science

Advisor & Administrator
Dr. K. Nabachandra
Ex Principal DM College
Retd. Principal MIT Takyel

Dr. Ch. Dhananjoy Singh
(Biology Lecturer)
Former Lecturer (Zoo)
DM College of Science
15 year of Teaching Exp.

Ch. Naoba Singh
(Physics Lecturer)
AIEEE Topper (2008)
KIIT University, Orissa
5 year of Teaching Exp.

Dr. Khaidem Binky
(Biology Lecturer)
M.Sc, Ph.D Biology
Former Lect. COMET
7 year of Teaching Exp.

Bandana Chongtham
(English Lecturer)
M.A, English 1st Class
Manipur University
7 year of Teaching Exp.

Th. Rutanjit Singh
(Chemistry Lecturer)
M.Sc Chemistry
Former Lect. Millenium
4 years at AAKASH

S. Thouba Singh
(Maths Lecturer)
V T University
4 yrs of Teaching Exp.

Subjects: Maths, Physics, Chemistry, Biology & English
For more details please contact : 9862698495, 9612846299

HL-P/0764/27,28,29,30,1,2,3